"অশিবা কৌবা লাইদুদি, নূং থোকপনি মথম্মোই,
নুংশি নঙনা ফনা কপ, পেৎলোই মাগী থম্মোই।
- *মীনকেতন (অশৈবগী শৈরোই)*

## কৌবা খুল্লমদনা অসুম্মক
**—এম নিলকুমারি**

য়ূমজাও অমগী মাঙ্গোন কাচিন্দা,
তুম্পক-তুম্পক তুহৌরি
মপুনা হুন্দোক্লল্লবা হুই-হৌদোং।
চাররো, থক্লরো কৌরক্ত্রে,
দুরু-দুরু মিনু-মিনু হায়রক্ত্রে,
তিন্নরম্বা লোয়নরম্বা হুন্দোক্লল্লে মখোয়বু।
নোংমগী মশীং জর-জর
কোভিদ-১৯ তুংইন্না
কৌবা খুল্লমদনা অসুম্মক;
পাঞ্জল মান্নহল্লক্কদৌরি খলহল্লি
মীওই মপোক্কী পীবুক্কুংদা
নোংমৈ গুলিনা নত্তে, তেনবা শাংবগী নত্তে
মশক ফজে মগুন লৈ
চাইনাগী কোরোনাভাইরস
মীনা পুরকই মীদা নপশিল্লি
ফজবা শকফমগী তুং-ইনখি
নুংশি নুংওন য়াওদে তিন্নরুরবদি লেম্না থাদে
শকলোৎপনি, শাফোংলকই পুন্সি পিখম্নরবদা।
মপুনা লাওরম্বা নীংশিংলক্লি হুই-হৌদোং
খোংগ্রাও মচা শেৎচিল্লু - ফনেক মচা শেৎচিল্লু
নখোয়গী চাকথুং ফংনবা
চেঙ হৱাই নিহৌরু
মপুনা থোংবীগনি নপুক থন্না পীজগনি
খোংবা লাউবা তৌদ্রবদি
নখোয়সু চাকথুং ফংলরোই
হান্নগী মীনুংশিগী লিচৎ
লৈরমদ্রে কোয়না চৎতুনা থিরুবদা
লাপ্না লাপ্না ফুট অহুম অহুমগী লিচৎনি
মপু কয়া মাঙখিগনি, কপ্পুরনু কান্নররোই।

## সঙাই শকহেনবা
**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

হাদা সঙাই পাম্মুবা
য়ারৌ শজি শকহেনবা
ফুমদিগী ফম্বাক মথক্তা
হানৌ অশংবা মরক্তা
কেকু লোৎপী শান্নবদি
তাইবঙ ঐখোয়বু কিবরনে?
লোক্তাক পাৎকী মশাইগোন
পোইরৈ কৈবুল লমজাওদুদা
মোংবা হনবা নরানয়াই
চাক্তাফম ওইদুনা লেল্লিবা
মনিনি নহাক্তি অতাঙবা
মালেমদা অনী শুদ্রবা;
হিয়াঙ্গৈ পোইনু লোন্নরকপদা
চৈরোঙগী লৌয়ৈ তাম্বাদা
চোঙ-ফন্দুনা জগোয় শাবদি
লমকোয়বা কয়ানা নহাকপু
মিৎয়েং তাবা লাক্লনি খন
মথুম-মরাং হৌজরিবা?
হৌরক্লে মতমদুদি ঙসিসু
য়ূমথোঙ-য়ূমথোঙ খুদিংদা
নঙগী মিংখৈতবু শোন্নবা
নহাক্কী চেংলৌতবু য়েংজনীং
মীওই লিশীং কয়ানা
ননাক তম্না লাক্লবদো;
হানৌনা থনখ্রে হাপ্তা কাংজৈবুং
কৈবুল লমজাওগী শক্তম লৌখরে
মতৌ লাংওন অমা ওইখ্রে
চিক্লা চায়নবা য়াদবমখৈ
তিল্লবা মীয়ামগী ঈপাক্তো
কুমসিদি উবা ফংলরোইদো;
সঙাই নহাকপু কঞ্জনবা
হোৎনবদি তঙাইফদ্রবা থৌগায়নি
নহাক্কী কাঙ্খুল মুৎখিদনবা
চেন চোঙলগে মীপূম তিংনা
মরমদি নহাক্লা শক্তাক্লিবনি
মণিপুর ইমাবু মালেমদা।

## পুন্সি বীদায়
**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

হকচাংগী কয়াৎশিংগা লোয়নরদুনা
লেংলি ওৎলিবা ঐসে
পন্থুংফম অদো
কৈদৌঙৈ য়ৌগদবনো
হায়বা ঐ খঙদে।
করম্বা নুমিৎতা,
করম্বা চহীদা,
লোইশিল্লক্লবা খোঙচৎ অসিদা
পন্থুংফম অদো
কৈদৌঙৈ য়ৌগনি।
হৌখ্রবা পুন্সিগী
থেংনখিবা থৌদোক
কয়াবু নীংশিংলদুনা
অমমম অঙান শিন্নরমদাই
লংদাই অসিদা
মীৎলু পিরাংগা লোয়নরদুনা।

## কৎচবা
**—নোংমাইথেম বেবেকা**

নীংশিংহল্লি ঙসিসু নৌহৌনা
নীংশিংবা কৌবা মহাক্লা
মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দা
সাহিত্যগী লৈনম য়েনবীরম্বা
ঙসিদি খঙহৌদনা তুবীখ্রে
ব্রাজিলগী চেকপলনা তুখিবগুম
কৎথোকপদা ওইখ্রবা পুন্সিদুনা
চৎলেদো নহাক্তি থম্মোয়নুংদা
মৈগী চীং পুদুনা
হিংনীংদব্রা মোৎলবা খুন্নাইসিদা
নহাক্লা ঙসি থুপখিবসে
কণগী অরোইবা য়াহিপকুম
তেংথানহৌরি মীয়াম পূম্বা
কণগী মমাগী মতৌগুম
অখাঙ কনবী লৈবাকলৈগুম
থৌনা ফরবা খম্বতোনদা
মঙাও থীরবা পীনোকীয়োবু শেন্নহনখিবা
ঙসিনা কদাইদা চৎলিবা
থাদা থবাতোনগা লোয়ননা
কদাইদা থম্বীরল্লে মহাক্কী
নুংশিনা লোয়নজরম্বা লাইফদবী লুবাক
থিরিব্রা থাপ্পা মফমদুদা
অনুরধাপুরগী আশ্রমগী রাজকুমার
করম্নদি কাউগনি নহাক্কী
অরবকী অহিংগী ৱারী
নহাক্লা থারম্বা মাধবী
কাঞ্চি লৈকোন্দগী হেল্লকপা
ঙসিসু শাৎহৌরি ফুগাইনা
অকাস বানি ইম্ফালদা
নোংমদি লাক্লি ঐহাকসু
হন্না চৎখ্রবা ননাক্তা
মফমদুদা শেমগৎসি ঐখোয়সু
নঙ-ঐগী অনৌবা সংসার
অদুবু পোলোইদা ফংলরে
নহাক কায়নবগী মৈশা
লাক্লরোইদবা নঙবু ঙাইবদা
হৌখ্রে অহিং সিমসু
নীংঙমদ্রবা থম্মোয়গী চোইরোলশিংসে
খনবীগনুকো লোনথোক্তবগী লোননি।

## নীংখাইরবা আশাগী ফুরা
**—হুইরেম চমপ্রামনি**

ৱানা তম্মী, ৱানা তাল্লি
লোয়নজৈ অশেংবা মরুপনি
মহৈগী লনগৈ লোইনাইদা
হোৎনজৈ মপা মমানা
অহিং নুংথিল খাইদনা
নোংজু নুংশা মরক্তা
হকচাং পাঙ্গল ময়েং তা
আশাগা লোয়ননা মচাগীদমক
চাউরগা মচানা হয়েং
মহৈগী মহয় ফংলগা
মোমোন নোকচগে খন
কালেনগী মৈশাবু নীংশিংদা
নিংথমগী উলেনবু থওইদা
ইকায়রুদে মীনাই ওইরসু
ফুমদুনা থমখি অনাবশিং
খাঙখি চৈথেং কয়া
ফারবদা মহৈগী মপূং
চন্নখিদে দখিনা য়াওদবা
কৈদনো মহৈদুগী মহয়
চৎনবীনি মসি মতমসিগী
খেন্নবা হায়ববু অসিনি
অমুক শাগৎপদা ৱারগদবা
নীংখাইরবা আশাগী ফুরা
লানফমদা মায়থীরবা লান্মী
করিদা খেন্নরিবা অনীসিবু।

## খুদোল পোৎ
**—অয়াম ইবেতোম্বী**

কোরৌ নোংদোলনা ৱাংবরা
পন্থৌ ইপানা মহেল্লি
মালেম লৈমনা লূম্বরা
পলেম ইমানা মহেল্লি।
কোভিদ-১৯না কিবরা
ইবুং ইপ্পানা মকিজৈ,
কোরোনা হায়বীদুনা চাউবরা
ইচল ইচেনা মচাউই।
কনানা কনাদা খুদোল্লিবা!
মচলগীনা হেন্দে, মবুংনসু তাদে
নুংশিনবগী ঈচেলদা য়াওরকপনি।
কুমজা খুদিং তম্বীয়ুকো
নুংশি নুংশিনা খুদোল পোৎ
অহাও হাওত থিঙমসি
চারা অমা চামিন্নবদা
পাম্মী পামদে ওইনরোইসি
ঙমজবা খুদোল তম্বদা।

## তাইবঙ খোঙচৎ
**—অঙোম ইবোমচা**

চৎখি মতমনদি লেপ্তুনা
পুন্সিগী খোঙচৎপু পুদুনা
ঙাইবিদে কনাবুসু মানা
ওইখি অরোইবা
পুন্সিগী নুমিৎ মীওইবা।
লৈহৌগনি লেংদনা মতমদি
ঋতুগী খোঙচৎ কায়দনা
নাকেন থাসু লোইখিনি
য়েন্নিং থানা লাক্লবদা
চৎখি মতমনদি লেপ্তুনা।
লোইখিনি নোংজুথা
পুদুনা চৎখিগনি ঈরাওখোল
লাকখিনি নিংথম-থাসু
ইরোইননা ৱাকচীংগী উনলেনগা
চৎখি মতমনদি লেপ্তুনা।
অমুক পোকপা তাইবঙদি
অমুক শিবা শোয়ফদে
কায়ফদ্রবা খোঙচৎনি তাইবঙগী
ঋতুগী খোঙচৎ অমতনি
চৎখি মতমনদি লেপ্তুনা।

## অখাং কনবী লৈরাং
**—নরেশ লাইময়ূম**

লৈরাং নঙবু নুংশিবী
শম্বল খাদবা ইঙ্খোলদা হৌবা লৈ
অখাং কনবী লৈরাং-ও
মফম খুদিংগী লাল্লোয়নৈ
পুংজা খুদিং ৱাথোকনৈ নঙগী ৱারীদা
তাইবঙগী অৱা পোখানৈ
লৈরাং নঙগী নগুনদি
থাবগী লোইবা নাইররোই
লৈহৌরনি পুৱারীগী খাংবা কনবা ওইদুনা
শোন্নরনি তাইবঙনা কাউবা লৈতনা।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# খোঙ্গুল মুৎশিল্লক্লবা লমদমসিগী ফাগিরোইশিং



থৱায় পানবশিংগী মরক্তা নোকপা হায়রিবা হকচাংগী কাংলোন য়াওবসি তাইবং মীওইবখক্তনি। ফাগী পূরম্বা শগোলশেম তোম্বী, ময়াম্না ময়াং ইম্ফাল তোম্বী হায়রগা খঙনখিবা লীলারোই অসিনা মীওইবনা নোক্লিবসি হকচাংগী থেংনবা য়াদবা শিংলি অনী থেংনবদা নোকপনি। গাড়িগী সেল্ফ ষ্টাৰ্ত তৌবদা ৱাইয়ার অনী থেংনরগা ষ্টাৰ্ত হৌখিবগুম তৌবনি হায়রম্মী। হায়রিবা ৱাহৈ অসিমকসু অদুম নোক্লিংবা ফাওবা ৱাহৈনি। মহাক্লা হায়রকপদা মীয়াম্না অদুম নোকখি। মীবু নোকহন্নবা ৱা ঙাঙবা অরুবা অমনি। সাউদ ইষ্ট এসিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা ড্রামাগী স্কুলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নেস্নেল স্কুল ওফ ড্রামা, নই দিল্লিদা তম্নরিবা অসিদা নোক্লবগী তমফম য়াওদে। মালেমদা নোক্লবগী তম্ফম লৈতে। নোকহন্নবগী মতাংদা মমাংদসু ৱারেং খরা ইজখ্রে।

নোকপা হায়রিবা আর্ট অসিদা মশক নাইখিবা ফাগীপুবা লমদমসিগী য়াম্না মরুওইবা মীশক খরা লৈখি। য়াম্না চৎখৎনা নৈনরুবা নত্তবদা ঙসিগী মীরোলনা পাক শন্না খঙনখিবসি ময়াং ইম্ফাল তোম্বী, তখেল্লম্বম চাউবা অমদি ওইনাম বাবু অসিনা হেন্না খঙনখি। অতৈ মশকনাইবা খরসু লৈরি। অয়াম্বনা লৈখিদ্রবনি। চাউবা, বাবু, তোম্বী অহুম অসিগা থৌমু নাওমু হৌমিন্নরকখিবশিংগী মনুংদা লাইশ্রম কুঞ্জরাজ অসি অমনি। লাইশ্রম কুঞ্জরাজ ময়াম্না গৌরো শাবা হায়রগা হেন্না খঙনখিবা অসি, ওইনাম বাবুগা পূল্লকপা শুম্মাং লীলা শান্নমিন্নরকপা ফাগী পুরকপা অমনি। মমাংদসু হায়জখ্রে মদুদি মীনা নোক্লিংবসি মশক উরগা নোক্লিংবা অমা, মখোন তারগা নোক্লিংবা অমা মখল মখলনি। মশক হেক উবদা নোক্লিংবা পোকপা হায়বসি অরুবা অমনি। মশক উরগা নোক্লিংবা পোকপা মীসু তাঙনা থোকই। ওইনাম বাবু, তখেল্লম্বম চাউবা, নবদ্বিপ শর্ম্মা (টিকি রাধা শাবী) অমদি লাইশ্রম কুঞ্জরাজ মখোয়গী মগুণসি মশক উরকপদা নোক্লিংবা পোকহনবা ঙম্বসিনি। ওইনাম বাবুদি খ্বাইগা ওন্ন-তৈনৈ। মানা শুকথবা, অৱাব শকফম উৎলিখৈ মীনা নোকপা হেল্লি। মতাং অসিদনি জিসি তোংব্রানা হায়খিবা ৱাফম অমা ওইনাম বাবুনা কপ্পা কপ্পা পাউ তম্মী, মীয়াম্না পেন্না পেন্না নোক্লগা তাখি। তখেলম্বম চাউবনা অমুক মোমোন নোক্লগা ফাগী তৌই। ঐগ্য নবদ্বিপচন্দ্রনা মোং হাদবা তবং তবংবা মতৌদা মীবু নোকহল্লি। লাইশ্রম কুঞ্জরাজনা অমুক মমিৎ মনা ইখু খুবখৈ পেরি পেরি ৱা ঙাঙবদা মীনা নোকই। ময়াং ইম্ফাল তোম্বীনা মীগী মতৌ তম্বা, মচিনদা কবোক পোকপখৈ ঙাঙবা ঙম্বদা মীবু নোকহল্লি। পূম্নমকসি মাগী মাগী পীথোকলকপনি মখোয় অমমম্না মণিপুরী শুমাং লীলাগী তাইবংদা মতম অমা ফাগী কয়া হাপ্তুনা অয়েংবশিংবু পেন্নবা নোকহনবীরমখি। ঐখোয় নোকপগী শুম্মাং লীলা উখিদবা কুইরে। মতম অমগী অনোকপা মতৌগী শুম্মাং লীলা অমুক হল্লকপা ৱারগনি।

কুইদ্রি হায়বা য়াই। মমাংগী নীংথম থাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী থিয়েটর অমদি ম্যুজিক্ ডিপার্টমেন্টকী মহৈরোই খরগা লোয়ননা মীয়াম্না খঙনরিবা ফাগীগী ওঝা লাইশ্রম কুঞ্জরাজ কন্না মশা ঙমদ্রে অহল ওইরে হায়দুনা হংবা চৎলুই। নারে হায়রিবা অহল ইবুংঙো মখুৎ নাম্মা খক্তনা য়োৎপাক পায়রগা ইঙ্খোলগী তেম্পাক য়াল্লমখি, থবক শুরম্মী। ঐখোয় লাকই তাবদা মশা শোল্লবা অহন ইবুংঙোনা হরাউনা ময়াম্বু ওকপীরকখি। মাঙ্গোন্দা ফল্লগা ৱারী শাংনা শান্নখি। মহৈরোইশিংনা মানা মানা ঙম্বা পুজরকপা ফি, খোং মোজা, তুপী নীংথম থাগী লূম্নবা পীরমখি। অচা অথক খরসু পীজরমখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী থিয়েটর অমদি ম্যুজিক্ ডিপার্টমেন্টতা তমজরিবা মহৈরোই খরদুগা ৱা ৱা নোকমিন্নখিবদু মিৎতা উরি। মশা শোলম্বা অহল অদুনা মানা পামজবা ফাগীগী ৱারী হৌরুবদা হকচাং কনখৎলকখি, খোঞ্জেল হৌরকখি। ফাগীগী ৱা তোক্লগা ফিল্ম নম্নবা স্ক্রপ্ট অমা লৈরে ফিল্ম নমসি হায়হৌই। ঙাইহাক অদু পূল্লাং লাংঙি। মতম খরগী মমাংদা ষ্ট্রোক তৌখিবনা পাম্বোম নাম্মা থাঙ্গৎপা ঙমখিদে অদুবু য়োৎপাক পায়দুনা তেম্পাক য়াল্লম্বা উবদা ঐখোয় ঙকখি। শুনিং নোমনিংবা তূমিন্না লৈবা হৈনদবা মৈতৈ অহল অমগী শাজৎ অদুসু হোংলমখিদে।

লমদমসিগী ফাগী পুবা অহল অয়াম্বা থুপ্নখ্রবনি মহাক মথন্তা ঙাইহৌরবনি। তাঙলবা অহল অসি চহী খূদিংগী পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ফম্বাক লীলাদগী পোখারবা অহল লমনশিংবু মখোয়গী ফাউন্দেসন নুমিৎতা হেক হেক কৌজদুনা চামিন্নবা, চল্লবা খুদোল পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎচবদু হন্দক চহী অসিদগী য়াওররোই। ঙরাং নহানলতা নবেম্বর ১৯, ২০২০ অসিদা লৈখিদ্রে। পামজখিবা ৱাহৈ নাচেম শেমদুনা মীয়ামবু নোকহনখিবা ফাগীগী ফম্বাক থাদোক্তুনা অরোয়বা ওইনা চৎখ্রে। ইকায়খুম্নবা উৎপা য়াবা ঙমজবা খরদি ঐখোয়না উৎখ্রে। হৌজিক নৈননীংঙাই ওইরিবদি মখোয়না হোৎনখিবা তাংলবা আর্টফোম অদুগী ট্রেডিসন অদু কদায়দা কনানা ঙাকতুনা থমহৌরিবগে হায়বসিনি। করিমক্তা লৈত্রিঙৈদা মখোয়না তৌরম্বনা য়াম্না হেল্লি। ঙসি চাউখৎলবা তৌগেতা ঙল্লবা মতম অসিদা মখোয়না তৌরম্বা হোৎনরম্বা অমত্তা ঐখোয়না মহুৎশিনবা ঙমদ্রি। থেংলে ঐখোয় য়াম্না থেংখ্রে। লীলা ড্রামা, জগোয় ঈশৈ তৌববু মমল লৈতনা ঙসিসু লৌনরি। লাইনীং লাইশোনগা মরী খজিক লৈনখিবনা লাই হরাউবা অমদি মণিপুরবু মশক তাক্লিবনি হায়নরিবা রাস লীলা অসিসু খজিক থাক অমদা থম্নবগী ৱানি আর্টকী মতীক ময়াই খঙদবা কনাগুম্বগী মফমদদি কান্নদবা ফৌহাম অমগুম্বনি হায়না খনবা মীগী মশীং য়াম্না লৈরি। মসিমক্ ওইবসিনা অতৈ আর্টফোম কয়া অমদি ঙাকপী শেনবীনবা লৈতবদগী মতোমদা ইয়াইগী কোঙ্গোলগুম্না তাকখি, অমূনবা হৈরাংগুম মথন্তা কেল্লকখি। হৌজিক মণিপুরগী পারফোমিং অয়াম্বা উনা উনা লৈরকত্রে। খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ, পেনা ফমশক ঈশৈ কৌদুনা তাখিদ্রে। শক্লবা মীসু লৈরকত্রে। মতম অমগী শুম্মাং লীলা লৈখিদ্রে। ঙরাং নহালতা মপাঙ্গল কন্না শান্নজরম্বা অনৌবা শুম্মাং লীলাশিংসু তপ্পা তপ্পা লুপথরক্লি। ঐখোয়গী নাৎপু মশক তাক্লিবা মীৎকী কূম্মৈসু ওইবা পারফোর্মিং আর্টশিং অসিনা নোংমা নোংমগী শিথরক্লিবা অসি করম্বা পোলিসি অমনা ঙাক শেন্নবা হোৎনরিবগে হায়বসি ৱাহং কয়া হংলবসু পাউখুম অমত্তা খুমলকপা থেংনখিদ্রি।

অনৌবা এদুকেসন পোলিসি শেমদুনা চহী খরা অসিদা চৎনরক্লবগী থৌরাং অসিদা ভোকেসন্নেলগী শরুক অমা ওইনা হাপ্তুনা তমহন্নবা, খঙহন্নবা হোৎনবা য়ানবগী থৌরাং খন্নহৌবা চুম্মী। জগোয় ঈশৈ, লীলা ড্রামা অসি হরাউ কুম্মৈনি ঙাইহাক নুংঙাইনবা শেম্বনি হায়বা অখূবা মীৎয়েংদা য়েংলিখৈ নাৎকী পোৎশক অমত্তা তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলনা খঙলরোই। লীলা ড্রামদি থিয়েটর ইন এদুকেসন হায়দুনা মপান লমদা হাপ্তুনা নৈনবা হৌখ্রবনি। ঙসিগী এদুকেসন্দা অহোংবা য়াম্না লাক্লি। ঙল্লিঙৈ মতমদা স্কুলশিংদা জগোয় ঈশৈ সবজেক্ট অমা ওইনা তাক্লবা মতীক চাবা ওজা হাপ্তুনা তম্নবা হৌরমখি। ঙল্লিঙৈগী এদুকেসন সিষ্টেম্না খরবু হেন্না এদভান্স ওইনা খঙলমগুম উরি। চৎনরম্বা সিষ্টেম অদু ঙসি মথৌ তারকই। মদুনা অঙাংশিংগী তুংগী মাইকৈ তাকপদা মতেং ওইগনি। হকচাংসু ফগনি নাৎকী মশকসু খঙলক্লগনি।

হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর হাংলে। য়ু জি সিগী গাইদ লাইন মখাদা এম এ ফাওবা তম্নবগী থৌরাং সরকারগী ওইনা লৈরে। য়ূনিভর্সিটিদা তল্লিবসি গ্রেজুয়েট লেভেলদগীনি। গ্রেজুয়েট তমলক্লবা মখাদগী স্কুলগী শরুক ৱাৎহৌরি। লাইরিক্তা লোইননা তল্লক্লবা খঙদবা য়াদবা বেসিক ফাউন্দেসনশিংগী তমফম লৈত্রি। অদুনদি মতম অমা স্কুলশিংদা তমনরমখিবশিং অদু অদুম চৎথরল্লগদি ৱাৎহৌবা হাপচিনবা য়াবা নৌনা হাপচিন্দুনা এদুকেসনগী পোলিসিদা মতেং য়াম্না ওইরমগদবসু থেংনরি। লাইরিক ওইনা তল্লে হায়রগসু প্রাক্তিকেলদি অমুক ৱাৎলগনি। মতম অমদা শান্নখিবা লীলাশিং, জগোয় ঈশৈশিং য়েংজগে উনিংঙি হায়বদসু রেকোর্দ ফংলরোই। মশক নাইখিবা ফাগী তৌবা অমগী করম্বা ৱাহৈদা মীয়াম্না করম্না নোকখি, কনানা করি জগোয় শারমখি হায়বা ৱারী ওইনা লীবা নত্তনা পোৎশক অমত্তা তাকপা ঙমলক্তবগী ফিভমদা লৈরকপা হৌরে। তপ্তাগী ৱারী লীবগুম অদুম অমনা অমুক লীহৌবা, অমনা অমুক খরা শেমদোক, খর হাপচিন লীবদুনা অশেংবা পোৎকী মশক্তি ঈশিং য়ানশিনখ্রবা শঙ্গোমগুম্না ভৌই হায়বতা ঙাইহৌরগনি।

লাইশ্রম কুঞ্জরাজ অহল ইবুংঙোনা লৈখিদবসি অৱাৎপা মেনশিনবা ঙমদবা অমা ওইনা লৈহৌরগনি। ঐখোয় য়াম্না তোয়না উন্নবা ঙমদ্রবসু মরক মরক্তদি উন্নদুনা মতম অমগী শুম্মাং লীলাগী অৱা নুংঙাইগী মরমদা ৱারী কয়া শান্নখিবনি। লুপা তারা তরা খায়নরগা মী তারা চাক চান্নবদা লুপা লাখ তারা দিফিজিৎ তাখিবগী নোক্লিং ৱারী মহাক্লা লীবীরম্মী। মহাক্লা ৱারী লীবদা নোক্লিংবনি, মহুৎ শিন্দুনা অতোপ্পা অমনা লীরবদা ঐখোয়বু অমুক হন্না নোকহনবা ঙল্লরোই। অহল ইবুংঙো ঈংনা চিক্লা পোত্থখ্রসনু। মিৎতদি উরি মিৎ ইখু খুনা ঙাঙখিবা ময়াম। উন্নদ্রবদি অদুম কাউরকখিগনি। কাউরকপগী মতম অমুক লাক্লগনি।

- *মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-৭৩

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

মদুগী মতুংদা মীওই মরী পুন্না লাকপা উই। মখোয় মরীদুগী মনুংদা অমনা কুসহরপ্রসাদনি, অনীশুবনা পিক্তু শাফবনি। অনী অমনা খুঙ্গংগী মীওইনি। কুসহরপ্রসাদকী মকোকতা অশোকপা মফম অনী লৈরম্মী। অশোকপা অদু মীয়াম্না উনবা হায়দুনা মশম তেন্না ককথৎলম্মী। মশম য়াম্না তেন্না ককথৎপা মরম্না মকোকতা শোক্লিবা অদু য়াম্না লাইনা উই।

মখোয় দরিদা ফমখ্রে; শুপ্পগী পিক্তু শাফবা খক মপান্দা নুংশা য়াইদুনা লেপ্তুনা লৈ। খুঙ্গংগী মীওই অদুনা পিওন অমদা হায়রকই, 'সরপঞ্চ হৌজিক ফাওবা লাক্ত্রিবরা?'

"হৌজিক করমহাইনা লাক্কদৌরিবনো?" পিওন অদুনা তাক্লকই, "শিবপাগঞ্জদা চৎখিবনি। ব্লোকতা থবক খরা লৈবদগী। মফম অদুদা পন্দুনা লৈবা ওইরমগনি।"

কুসহর মশা লেংলকই। ময়া কাথোরক্তুনা হায়রকই, "ঐঙোন্দা করিগী হংলিবনো? লেপ্লিবা ঐখোয়গী শ্রবনকুমারদা ওইনা হংউ।"

পিক্তু শাফবা মশাবু শ্রবনকুমারকী ফীভমদা উজবা পাল্লমদে। লেংবান্দা উগী শেরফালা মানবা অদুদা মমা-মপাবু মায়কৈ খুদিং য়েন পুবদৌনা য়ান্দুনা কোয়পু পুবা য়াম্না ইকাইনিংঙাই ওইবা ৱাফমনি। মদু শিন্মিশিংগী থবকনি। পিক্তু শাফবা শাওরকই অদুগা মহাক্লা হায়, "মফম অসিদা শ্রবনকুমারগী মপাগী মমিংসু শ্রবনকুমার কৌবনি, মঙোন্দা ওইনা হংউ। সালে, শাগৈ অসিদা পূম্নমক শ্রাবনকুমার ঙাক্তনি।"

খুঙ্গংগী মীওই অমনা মঙোন্দা চৈরকই, "শ্বাইদা নচিনগা থীরক্কনু পিক্তু শাফবা, মদুনা কোর্টকী মিংচৎ থীবা হায়বদু ওই।"

পিক্তু শাফবনা হায়, " সালে হায়বনি, চিন থিবদি করিসু ঙাঙখিদেনা।"

ৱাফম অদুখক হায়রদুনা মখোয় দরি অদুদা ফমথরকই। খুঙ্গংগী মীওইশিং অদুগী নুংঙাইতবা মায়থোং অদু উরগা খঙহৌদনা মহাক নোকথোরকই অদুগা মহাক্লা হায়খিবা ৱাফম অদু ফাগিনি খঙহন্নবগীদমক হায়রকই, "নুপা ১৪ পোক্লিবনি অদুগা ঐঙোন্দা নুপী হায়বসি করিনো হায়বা তাক্লিবনিনে নখোয়। অদুগা ঐঙোন্দা নখোয়না সালে হায়বা অসি মচিন থীবা ৱাহৈনি হায়রবনিকো। মদুদি শুপ্পগী ৱারী শাবগী মওং অমনি। অদুনা ঐ ৱা ঙাঙবদা অদুমক সালে হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নৈ।"

খুঙ্গংগী মীওই অমনসু হায়, "অদুবু সালে হায়বা ৱাহৈ অসি মচিন থীবগী মনুং চল্লি।"

পিক্তু শাফবা অমুক হন্না নোক্লকই, মাগী মওং অদু কোর্টতগী মায়পাকপা ঙল্লগনি হায়বগী মতৌগুমনি। মহাক্লা হায়, "অশেংবা মচিন থীবদি নঙনা হৌজিক ফাওবা তারমখিরোই পনি দতজি! চিন থীরল্লবদি আ য়ৌরনিকো।"

সরপঞ্চ হেক য়ৌরকপগা মহাক্লা খল্লি মদুদি থেংলকপগী মরম লৈরিবা মীওইশিং অদুদা হায়বা ফৈ হায়না। মহাক মুরুম-মুরুম শোল্লকই, "মায়কৈ মরিমক করপসনগী করপসন ঙাক্তা। ব্লোক্তগী শুপ্পগী খুৎয়েক অমা খক লৌগদবনি। ঐনা খল্লুবনা পেশকরদা পীরল্লগা অদুমক লাক্লগে হায়না। অদুগা মফম অদু য়ৌরকান্দনা থেংলবা ফাওবা ঙাইদুনা লৈগদবনি হায়রকই।"

খুঙ্গং মীওই অমনা মহাক্লা শেংদোরক্লিবা ৱাফম অদু তানিংলমদে। অদুগা শাওরদুনা হায়রকই, "অদু ওইরবসু য়াম্না থেংমনখ্রে। পুং ১ তাগদৌরে। ইন্দিয়ানশিংগী য়াম্না ফত্তবা হৈনবিনি মসি। অঙ্গ্রেজশিংদি মতম মশক খঙনা চৎলি।"

সরপঞ্চনা খোঞ্জেল হৌনা হায়রকই, "ও, অদোমসু য়াওবিরল্লিবা ওইরে। অদোমদগী অঙ্গ্রেজশিংনকা হেনগদবা জাৎ নত্তে?" মহাক থেংনা লাক্লগা তুমিন্না ফমজিনখিবনি। পিওন অদুনা হায়, "য়ারে, থবক হৌরসি। অহানবা কেস কৌথোরক্লো।"

ঙাঙন-শক্লরিবা পুম্নমক অদু কুসহর অমদি পিক্তু শাফবা য়েংদুনা লৈরম্মী। পিওন অদুনা ঙাওশিন্নরদুনা কোর্টকী মতৌ তম্লদুনা লাউরদুনা হায়রকই, "কুসহর অমদি পিক্তু শাফবা লাক্লবদি থোক্লক্লো....?"

পিক্তু শাফবনা হায়, "ঐখোয়দি ঙসাইনা লাক্তুনা লৈরবনি, নখোয় উদবরা? নমিৎ পান্দবরা?"

সরপঞ্চনা হংলকই, "পঞ্চায়ট মন্ত্রি ঙসিসু লাক্তবরা?"

"মখোয়গী মরি মতা অমগী থৌরম অমা থোকপনি। মদুদা য়াওবা চৎখ্রে হায়না মীওই অমনা হায়রকই।"

"মদুগী পঞ্চয়ট মন্ত্রি অদুসু অঙকপনি। মরুওইবা থবক লৈরকান্দা হেক-হেক শিৎ নাম্থোকপনি। তাঞ্জা লাকপদা অদুমক মীনম্বগী থবকসু তৌবনি। ফরে, হৌজিক কৈদৌগনি? মানা থৌরম য়াওবা চৎখ্রে, ঐখোয়না মফম অসিদা...!"

সরপঞ্চ অদু শাওরদুনা মুরুম-মুরুম শোন্দুনা লৈ। পিক্তু শাফবা অদু থৌৱা শাদনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরম্মী।

সরপঞ্চনা মখা তারদুনা হায়রকই, "মদুগী পঞ্চায়ট মন্ত্রি অদু হৌখিবা চহী খরগী মমাংদা হুরানবগী থৌদোক অমদা চেন্নবগীদমক নোংমদা ঐগী নাক্তা মরি-মঙারক লাক্লম্বনি। হৌজিক্লা মফম অসিদা লাকপা তল্লবরা খঙদে। শাগৈসু য়াম্না ফত্তবনি।"

পিক্তু শাফবা অহাংবা মফমশিং অমদি নিম পাম্বীগী মায়কৈরোমদা য়েংদুনা লৈরম্মী। মহাক্লা ৱাফম অদু শুনা তারমখিদে, অদুগা লাউরদুনা হায়রকই, "কনাগী শাগৈনো নহাক্লা য়াম্না ফত্তবনিকা হায়রিবদো সরপঞ্চ?"

সরপঞ্চ অদুনা চৈরদুনা হায়, "করিগীনো নংনা অদুক য়াম্না শাওরিদুনা? হৌজিক পাঞ্চায়ট মন্ত্রিগী মতাংদনি ৱা ঙাঙনরিবসে। নহাক্কী লম হেনবগী ৱাফমদি হৌজিক লোয়না খঙনরক্লগনি। য়েংউ করি তৌরকপগে হায়বদু।"

পিক্তু শাফবা লেপখৎলক্তুনা শাওরদুনা হায়, "মফম অসিদা কেসকীদমক লাকপা কান্নদবনি। সরপঞ্চনা ঐবু ফত্তবা মীনি হায়না হায়বা। মানা করি ৱায়েল তৌগনি?"

কুসহরপ্রসাদ ঙসাইদগী তুমিন্না ফমদুনা লৈরম্বনি। হৌজিক মহাকসু ইখঙ খঙহৌদনা লেপখৎলক্তুনা হায়রকই, "ফরে, ফরে, চৎলসি !" অদুবু মহাক মতম অদুদা নীংশিংলকই মদুদি মহাক্কী মচানুপাদা মহাক্লা কেস তৌবনি হায়বদু। মহাক পাখৎলদুনা অমুক ফমথখ্রে, অদুগা মহাক্কী শোয়রিবা অদু খুমজিন্নবগীদমক হায়রকই, "মফম অসিদা কেস পাল্লিবনিনা ৱায়েলসু মফম অসিদা চৎথরগনি। সরপঞ্চনা ৱায়েল তৌবিরো।"

পিওন অদুসু শঙ্গোল অদুগী অহাংবা মফম অমদা ফমদুনা ঙাঙন-শক্লরিবা পুম্নমক অদু য়েংদুনা লৈরম্মী। মফম অদুদগী হায়রকই, "অচুম্বনি কুসহর নঙনা হায়রিবদু, অমনা হায় মদুদি ইমানা ৱাশক শকই হায়বদা মদু অরানবনি-ফত্তবনি হায়। অদুগা অতোপ্পা অমনা হায় ৱাশক শকখ্রগা অদুমক তুমিন্না লৈথোকখ্রে হায়বদসু অরানবনি হায়। অদুগুম্বা ফীভম অমদনি হৌজিক লৈরিবসি। অদুনা হৌজিক নঙনা পিক্তু শাফবদা কেস তৌরবনিনা মতাং অসিদা ৱা পঙাঙদা ঙাঙদবনা ফগনি।"

কুসহরনা পিওন অদুগী মায়কৈদা য়েংলগা মকোক নোল্লম্মী। মদুগী অর্থদি করিসু খঙদবা মানা ফাওবা অচুম্বা ৱা হায়রল্লবনিনা হৌজিক মঙোন্দা অমুক ওনশিন্দুনা ৱা ঙাঙবা চুম্মরোই। অদুগা মহাক্লা পিক্তুদা হায়রকই, "ফম্মু, হৌজিক কেস মখা চৎথজরসনু।"

পিক্তুনা হায়, "বাপু, নঙ তমথিবা লিন অমগুম্না মাংদসু চৎলি অদুগা তুং হল্লগসু চৎলি। মফম অসিদা নত্তরা মখোয়না হৌজিক্তা ঐখোয়সে ফত্তবনি হায়খিবদু তাদবরা? হৌজিক করি অমুক তাখো হায়রিবনো? ঐদি চৎলনি।"

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা